## কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফেরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স, মণিপুর, দিসএবল্ড দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন মণিপুর অমদি নোদর্ন দিসএবল্ড ইন্সটিট্যুটকা লোয়ননা এসোসিয়েসন ওফ স্পেসল এদ্যুকেটরস এন্দ এল্লাইদ প্রোফেস্নেলস (মণিপুর য়ুনিট) না শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা ৱান দে কনফরেন্স ওন ইম্পাৱরমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিঠ দিসএবিলিটিজগী মতাংদা পোরোম্পাৎ থৱান্থাবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদ ইম্ফাল ইষ্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কবিব কে, আই পি এস, টোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়টকী জিল্লা পরিষদ কে এস ঐচ তামা, রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স, মণিপুরগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট সী ঐচ ওপেন্দ্রো, টোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম লোকেন, দি দি এগী এদভাইজর এম দি ৱাহাজুদ্দিন, সোসল ৱার্কর এম দি নাজিমুদ্দিন শাহ, সোসল ৱার্কর এম দি রাজক লোয়ননা টোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর এম দি কাবুলুদ্দিননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, সী টি ঈ এলগী ফোর্মর চীফ রিছোর্স পার্সন্স ডা. টি ঐচ চন্দ্রমনি, সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চাইল্ড ৱেলফেয়র ওফিসর এল ধনেশ্বর লোয়ননা নেসনল এৱার্দি এল অমরেন্দ্র শর্ম্মনা রিছোর্স পার্সন ওইনা দিফরেন্টলি এবল্ডশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি অমদি থৌরম অদুগা ঈরোয়ননা পেরেন্টশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।


## GAS TODAY

**CANCHI INDANE SERVICE**
*Commercial 19Kg Stk:180*
Timing:08.30am to 10.00am
*(First Come First Serve)*

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:23/08/2017
Valid From:18/08/2017
*Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)*
Timing:07.30am to 10.30am

**IMPHAL LPG SERVICE SL.NO. 22750**
Booking Upto:26/08/2017
Valid From:20/07/2017
*Stk :306*
*(Deliver at Heinoupok Godown)*

**KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG**
Booking Upto:11/06/2017
Valid From:29/05/2017
*Stk :306*
Timing:07.00am to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:02/08/2017
Valid From:21/07/2017
*Stk :612*
*(For CTC Consumers Only)*
Timing:07.30am to 11.00am

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:01/08/2017
Valid From:24/07/2017
*Stk :612 (DBTL Only) Rs.843/-*
Timing:07.00am to 10.00am

**MAHALAKSMI INDANE SL.NO. 50**
Booking Upto:18/08/2017
Valid From:22/07/2017
*Stk :306*
Timing:07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS MOIRANG SL.NO. 3350**
Booking Upto:11/08/2017
Valid From:05/08/2017
*Stk :306*
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR POLICE GAS SL.NO. 01 TO 120**
Booking Upto:02/08/2017
Valid From:01/08/2017
*Stk :306*
*(Only for CTC &DNSC)*
Timing:10.00am to 01.00pm

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:02/08/2017
Valid From:24/07/2017
*Stk :270*
Timing:07.00am to 10.00am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking Upto:12/09/2017
Valid From:05/09/2017
*Stk :306*
Timing:07.30am to 10.00am

**NONGPOK SEKMAI JCD**
Booking Upto:11/09/2017
Valid From:10/08/2017
*Stk :306*
Timing:08.00am to 11.00am

**KHUMBONG INDANE SL.NO. 6480**
Booking Upto:07/09/2017
Valid From:31/08/2017
*Stk :306, Rs.847.50/-*
Timing:07.30am to 10.30am


# রিকগনাইজ তৌদবা প্রাইভেট স্কুলশিং লৈঙাক্না য়েংশিল্লু : এ আই এস এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : রিকগনাইজ তৌদবা প্রাইভেট স্কুলশিং লৈঙাক্না য়েংশিল্লু হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ রামেশ্বরনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা রামেশ্বরনা হায়খি, রিকগনাইজ তৌদবা প্রাইভেট স্কুল কয়ানা এটেচ তৌরগা চলাইবা য়াওরি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীৎয়েং চঙদ্রবদি এ আই এস এফনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারগনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুলশিংদা এ আই এস এফনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা রিকগনাইজ তৌদবা স্কুল কয়া থেংনরে। স্কুলশিং অদুনা লৈঙাক্কী স্কুলদা এটেচ তৌবসু য়াওরি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈঙাক্না য়াম্না কূপ্না য়েংশিনফম থোকই।

মখা তানা এ আই এস এফনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনগনি। প্রাইভেট স্কুলদা স্কুল অমা ওইবগী লৈফম থোকপা মচাক নিংথিনা লৈতবা কয়া অমসু য়াওরি। স্কুলশিং অদুগী মরক্তা নুপা অমদি নুপীগী টোইলেট মওং চানা লৈতবা, অৱাৎ-অপানা থল্লবা কয়া অমসু য়াওরি। হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা মতম ওইরে। রিকগনাইজ তৌদবা প্রাইভেট স্কুলশিং তোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# অম্মুকোগী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী কুমজা ২০১৮ গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ওল মণিপুর মুস্লিম য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি অব্দুল কয়ুম্না হায়খি, ওর্গনাইজেসন অসিনা তৌখিবা থবক থৌরম কয়া ঙসি ফোঙলিবা কেলেন্দর অসিদা য়াওরি। ঈশিং-ঈচাউ থোকখিবা মতমদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মফম কয়াদা চৎতুনা অঙন্বা তেংবাঙ কয়া পাংখিবসু লৈ। হন্দক মণিপুরগী মফম কয়াদা ঈশিং-ঈচাউ থোক্তুনা মীওই কয়া অৱাবা নংখি। অৱাবা নংলবা মফম কয়াদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎশিংনা কোয়না চৎতুনা অৱা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্নখি। অঙন্বা তেংবাঙ কয়াসু মফম কয়াদা য়েন্থোকখি।

মাইনোরিটি মুস্লিমগী ওইবা রিজার্বেসনগী ইস্যুদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী শক্তমসু কেলেন্দর অসিদা হাপ্লি। ওর্গনাইজেসন অসিনা লমদমসিগী ওইবা ইস্যু কয়াদসু থবক তৌদুনা লাক্লি। ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৮ গী কেলেন্দর অমসু পুথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ জিরিবাম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পি আর ও রাজুল করিম, ওল মণিপুর মুস্লিম য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী চীফ এদভাইজর মজিবুর রহমন, কৈরাও মক্তিং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর দিলেলা বেগম, থৌবালগী দি এস পি সদানন্দ, বিষ্ণুপুর সব-দিভিজন এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর এম দি রিয়াজুদ্দিন খান, মণিপুর ষ্টেট আকাইর্বসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর এম দি অবুল কলাম, ওল মণিপুর মুস্লিম য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট মুজিবুর রহমন অমদি সোসল ৱার্কর বোবীসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ওর্গনাইজেসন অসিনা তৌখিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

# যোগনা পূক্নিং হকচাং ফনা থম্বদা মতেং পাংই : ডা. কে বসন্ত

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : যোগ শান্নবনা হকচাং নাদ-য়েক্তনা থম্বতা নত্তনা পূক্নিং হকচাং ঈং-তপ্না থম্বদা মতেং পাংই হায়না নেচর কিয়োর এন্দ যোগ হোস্পিটালগী সেক্রেটরি ডা. কে বসন্তনা ঙসি তেন্থা মল্টিপ্লেক্স, তেন্থা খোংবানদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা যোগ দিমোন্সট্রেসনগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেচর কিয়োর এন্দ যোগ হোস্পিটাল, কোংবগী মীৎয়েং মখাদা ওল তেন্থা যোগ এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. কে বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী হকচাংদা অনা-অয়েক থোকহনবা ঙম্বা মহীক কয়ামরুম মতম চুপ্পদা লোয়নদুনা লৈ। মহীকশিং অসিনা হকচাংবু ঙমহন্দুনা চৎহনবগী মহুৎ হকচাংগী পাঙ্গল হেনগৎহন্দুনা নাদ-য়েক্তনবগীদমক ঐখোয় খূদিংমক য়োগ আসনশিং চাংনাইনা এক্সরসাইজ তৌবা মথৌ তাই।

নেচর কিয়োর এন্দ যোগ হোস্পিটালগী ইন্সট্রক্টর লাইশ্রম বিজয়লক্সমি অমদি নবচন্দ্র অথোকপম অনীনা ইন্সট্রক্ট তৌদুনা মীওই ৫০ রোমদা মখল কয়াগী যোগ আসনশিং পুন্না শান্নমিন্নখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ওল তেন্থা যোগ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ইবোপীশক, ইপাক্কী এদিটর রাকেশ নাওরেম, এদ্যুকেস্নিষ্ট মোইরাংথেম সঞ্জয়নচিংবা শক্নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম ইবোপীশক্না হায়খিবদা, যোগ শান্নবনা হকচাং ফহনবদা নত্তনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা পুরকপদসু চাউনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। যোগ হায়রিবা মশান্না অসি ঐখোয়না চহী য়ামশিল্লক্লবা মতম, শিংলি-নাউরি শোন্থরবা মতমদা থেংনবসি য়াম্না নিংঙমদে। পুন্নমক ওইদুনসু ঐখোয় অহলশিংতা নত্তনা ইচা-ইনাওশিংসু যোগ মশান্না অসি শান্নদুনা যোগগী কান্নবশিং লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইপাক্কী এদিটর রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, যোগ শান্নবনা মীওইবগী পূক্নিং, অশাউবা ফাথনবগী খ্বাইদগী লায়বা পান্থৈ অমা ওইরে। খুদোংথীবদগী ঙাকথোকহৌনবা ঐখোয়না যোগ শান্নবা মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# নুপীশিংনা লমদমসিদা হীরম কয়াদা থৌদাং লৌরি : নেমচা

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : নুপীশিংনা লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরি হায়না সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা ঙসি থিয়াগরাজ ষ্টেদিয়ম, আই এন এ কোলোনি, ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ৪ দা পাঙথোকখিবা ৬লকশুবা নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া কোরেল কম্পিটিসনগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

তাঞ্জুল, খৃষ্টিয়ন চেরিটেব ত্রষ্ট, ন্যু দিল্লিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নেমচা কিপজেননা হায়খি, নুপীশিংনা য়ুমদা, লাইনিং-লাইশোলগী থৌরমদা, প্রোফেস্নেল লাইফতা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা নুপীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই।

নুপী শৈশকপীশিংনা অসিগুম্বা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারি। কম্পিটিসন অসিগী থিম ওইরিবা টুগেদরনেস হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা থিম অমনি। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ, লাইনিং-লাইশোল কয়া লৈরিবশিংনা অমত্তা ওইনা পুনমিন্নবা তঙাইফদে। তোঙান-তোঙানবা চর্চ কয়াদগী কোয়র গ্রূপ কয়ানা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট কয়াদগী কোয়র গ্রূপ মাপলনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অদুগী মনা-মথুমসু সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা য়েন্থোকখি। ইন্দিপেন্দেন্ট চর্চ ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা মনা ফংখি। অহানবা রন্নরস-অপতা পাওমাই বেপ্টিষ্ট চর্চ, দিল্লি অদুগা অনীশুবা রন্নরস-অপতা তাংখুল চর্চ দিল্লিনা তাখি হায়রি।

# এস পি কেপসুল, দব্লিউ ৱাই টেব্লেটগা কোন্নমা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ৰুমেন পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা হট্টা গোলাপতি এরিয়াদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনী পোৎকা কোন্নমা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওইশিং অদুদি য়ারিপোক টুলিহলদগী লাক্লগা হৌজিক্না হট্টা মনা ইঙ্খোলদা লৈবা অমা অমসুং অতোপ্পা অমদুনা থৌবালগী কৈবুং সনাশাবী লৈরক্তগী হৌজিক্না হট্টা মনা ইঙ্খোলদা লৈবী নুপী অমনি। মখোয়দগী পুলিসনা লৈঙাক্না অথিংবা থমখ্রবা স্পাজমো প্রোক্সিবোন ২৫ অমদি ৱল্ড ইজ য়োর টেব্লেট ১৫৫ গা কোন্নমা ফারে হায়রি। মখোয়গী মথক্তা পোরোমপাৎ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিজিন্নবা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

### ফায়র সার্বিসকী পোষ্ট ১৪৪লৌবগী...

*লামায় ১গী মখা...* দি পি সী অনী অসিগী মনুংদা করম্বা ওইনা লৈঙাক্না অচুম্বনি হায়না লৌদুনা লাউথোক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। মসিগীসু মথক্তা কুমজা ২০১৬তা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট অমসু পাঙথোকখি। হায়রিবা রিক্রুটমেন্ট অদু হায়দোকপা য়াবগী থাক্তা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা হায়দোক্ত্রিবসিগী মরুওইবা মরম করিনো হায়বা খঙদ্রি।

মতৌ অসুম্না মণিপুর রাইফলস/আই আর বিগী ফোলোৱর লৌনবগী দি পি সীসু লোইশিন্দনা লৈরি। দি পি সীদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা মীওই কয়াগী পূক্নিংদা শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈজরগসু পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবা খোঙথাংনা মখোয়বু ভীক্টিম ওইহনবীরগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈনরি। থবক ফংদ্রিবা নহাশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্তা দি পি সীগী ফলশিং অদু হায়দোকপীনবা কয়ারক হন্না তক্লখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা ফল লাউথোকপা লৈত্রি।

### লায়েংবা ঙমজদ্রবশিংগী হেল্থ ইন্স্যুরেন্স...

*লামায় ১গী মখা...*যুমথোঙ খূদিংমক্তা এল পি জি কনেক্সন পীরগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, এদ্যুকেসনগী মতেংনা হাৎনা শুনবা পুন্নমক লেপহন্দুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরকপা ঙমগনি। মহৈরোয়শিংদা মতিক ময়াই লৈবা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহল্লবদি শেঞ্জা থুমজাসু মরু ফংনা মাঙহনবা ঙমগনি। এদ্যুকেসন য়াওদনা খুন্নাইদা মশক থোকপা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙল্লোই।

মহৈরোয়শিং লাইরিক নীংথিনা পাদুনা নত্তবা পান্থৈ শীজিন্নরোইদবনি হায়না আপিল তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈরোয় খূদিংমক তুংগী পূন্সিদা অচঙবা মীশক অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি।

ষ্টেট অসিদা দোন বোস্কোনা এদ্যুকেসনগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, রিজন অসিদা দোন বোস্কোনা মহৈরোয় ৭০,০০০ রোম হেনবদা মহৈগী মঙাল ফংহন্নবা হোৎনরি তাবদা অপেনবা পোকই।

উমং কোকথোকপনা ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা মহৈরোয়শিংনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বা আপিল তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু মহৌশাগী মায়োক্তা লেপ্পোইদবনি। ঐখোয়না নেচরগী মতেং মথৌ তারবসু নেচরনদি ঐখোয়গী মতেং মথৌ তাদে।

থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, রুসা স্কিমগী মখাদা দোন বোস্কো কোলেজ, মরামনা লুপা ক্রোর ১.৫গী গ্রান্ট-ইন এইদ ফংলগনি। লুপা লাখ ২৫ কোলেজ অসিদা মাঙজৌননা পীখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা অতোপ্পা লুপা লাখ ৫০ পীনবা থৌরাং তৌরি।

কোলেজ অসিগী লাইব্রেরী কম সাইন্স লেবোরেটরি শানবগীদমক নোর্থ ইষ্ট কাউন্সীলদা লুপা ক্রোর ৬/৭কী প্রপোজেল অমা থারগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না সেনাপতিগী দি সীদা প্লানিং দিপার্টমেন্ট অমসুং পি দব্লিয়ু দিগা খুৎশম্নদুনা কোলেজ তাবা লম্বী কোয়লাস থাবগী থবক পায়খৎনবা খঙহনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী শরুকশিংদা ওফিসল বিল্ডিং কয়া শানবগীদমক লুপা ক্রোর ১০ কায়থোক্তুনা থল্লে। স্কিম অসিগী মখাদা মরাম লাইরৌ চীংদা এস দি ও ওফিস অমা শানবা পি দব্লিয়ু দিদা খঙহনখ্রে। মথংগী কেবীনেট মীফমদা মরাম বজার প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরবু কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী থাক্তা পুখৎনবা অমসুং মরাম খুল্লেল প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরবুসু পব্লিক হেল্থ সেন্টরগী থাক্তা পুখৎনবা ৱাফম খন্নরগনি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, হান্নগী মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা; প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (প্লানিং) বিনিত জোসি; সেক্রেটরি টু সী এম, এম অশোককুমার; আই জি পি লুফেং কাইলুন; সেনাপতিগী দি সী অথেম মুইভা; দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি, এম প্রদিপ; ৩৪শুবা এ আরগী কম্মান্দিং ওফিসার; এ দি সীগী মেম্বরশিং; মরাম কোলেজগী প্রিন্সিপাল রেবরেন্দ ফাদর ডা. সেবেসিয়ন কে ও; ইম্ফালগী আর্সবিসোপ রেবরেন্দ দোমিনিক ল্যুমোন দি দি; মরাম কোলেজগী ভাইস প্রন্সিপাল রোজ মেরি অদাফ্রো; টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিং লোয়ননা কোলেজগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

### মীগী মরল হুরুববু নৎত্রবদি শেল...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং মপুরোইবগা লোয়ননা ইম্ফালগী মফম অমদা অশানবা য়ুম ৱায়রগা পূন্সি হিংমিন্নরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, অঙাং মরি য়োকপা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা অরুবা অমনি। ইচা মরি য়োকপদা মীঙোন্দগী মচিৎ মচিৎ পুশিল্লুবা শেল শিংবা ঙম্নবা য়ুম্নাম লৈকায় লাইরেম্বী মমাঙদা মতম খরা ইন্সাং-নাপী য়োন্দুনা শেল তানবা হৌরকখি। মদুগী মতুংদগীদি কোন-লিক শানবা পুকচেল চাউরবা মীওই অমগা খঙনরকপদগী কোন ফেংবগী শিনফম অসি পায়রকপনি।

ইন্সাং-নাপী তিক্লুরগা অমুক য়োনবা হায়বসি শিৎপা নৎত্রগা শিত্তবা হায়বসু লৈ। শিৎহৌদবশিং পথুরকপনা হান্দুনা শেল মাঙবসু কোঙ্গাইনি। বন্দ য়াম্না তোয়না তৌবা মতমদদি ইন্সাং-নাপী য়োল্লগা ইমুং পুবগী ৱাখল তৌরুবা য়াদে। চরা হেনবা ফাওবা য়াওখি। অদুবু হৌজিক্তি কোন ফেংবগী শিনফম পায়রুবদগী চরা হেনবা হায়বদুমক্তি লৈত্রে। ইমুং-মনুং কোম্না হিংবা ঙল্লে।

মহাক্না লোয়ননা কোন ফেংমিন্নরিবী নুপী অদু শান্তি কৌই। মহাক্কী মপুরোইবা রিক্সো দ্রাইভরনি। ইমুং-মনুংগী অৱাবা কয়া খঙদবনা মরম ওইরদুনা মহাক্না খাইনরগা মচা মঙা পুদুনা অশানবা য়ুম অমদা লৈরগা শিনফম অসি পায়বনি। হৌজিক্তি মহাকসু মচা মঙা থাকপদা অৱাবা ওইদ্রে।

### নর্সশিংনা প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাক্না থবক...

*লামায় ১গী মখা...*হায়রিবশিং অসি ঙাক্না চৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। নর্সিং মহৈরোয়শিংনা খঙগদবদি গোল্ড মেদল ফঙবনা শীনফম অসিদা মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারোই। খ্বায়দগী মরু ওইরিবদি ফিল্ডদা প্রাক্টিকেল ওইনা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা অদুনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন কয়া লীংখৎনবা মপান লমগী কম্পেনি কয়ানা ফন্দ থাদরক্লে হায়বা লৈরি। অদুবু লমদি মণিপুর লৈঙাক্না পুথোক্কদবনি। লম থিনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি। এম এসসি নর্সিং হাঙদোকপা হায়বা অসি লৈঙাক্কী মঙলান্নি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী দিরেক্তর প্রো. টিঐচ ভিমোনা ফোঙদোকখিবদা, নর্সিংগী সর্ভিস অসি অনাবশিংদা মপুং ফানা পীবা ঙল্লবা মতমদা হেল্ঠ ক্যেয়র সিষ্টেম অসি ফগৎপা ঙমগনি। নর্সশিংগী মরক্তা লৈবা ৱাখল লৌশিং অসি অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনদুনা শ্যেয়র তৌবা তঙায়ফদে। ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা লৌখিবা ৱাশক্কী মতুং ইন্না মহৈরোয়না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌদাংশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

হেল্ঠ ক্যেয়র সর্ভিসতা নর্সিং সর্ভিস অসি দরকার ওইবদগী ষ্টেট অসিদা এন এন এম অমদি জি এন এমগী কোলেজ খক হাঙলম্বদগী ঙসিদি লৈঙাক্না বি এস সী নর্সিং কোলেজসু হাঙদোক্লে। মসিগী মতুং ইন্না এম এস সী নর্সিংসু হাপচিন্নবা লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি। লমদম অসিগী মীয়ামদা অফবা হেল্ঠ ক্যেয়র সিষ্টেম অমা পীসি হায়রবদি নর্সিং প্রোফেসন অসি য়াওদনা ওইথোক্লোই। অফবা হেল্ঠ ক্যেয়র সর্ভিস পীসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রো. এম কুমুদিনিনা ফর্ষ্ট য়ার বি এস সী নর্সিংগী মহৈরোয়শিংগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা অয়ুসকী দিরেক্তর ডা. এ গুনেশ্বর শর্ম্মানা প্রিসাইদ তৌখি। হেল্ঠ সর্ভিসকী এদিস্নেল দিরেক্তর ডা. পি শ্যামসুন্দর অমদি কোলেজ ওফ নর্সিং মেদিকেল দিরেক্তোরেটকী প্রিন্সিপাল প্রো. এম কুমুদিনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# ৱর্ল্ড ফূদ ইন্দিয়াগী থৌরম লোইশিনখ্রে

## মণিপুরগী চাকহাউ, উ মোরোক মপান লৈবাকশিংনা দিমান্দ তৌনরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ৩ দগী চথ্দুনা লাকখিবা ৱর্ল্ড ফূদ ইন্দিয়াগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে। মণিপুরগী চাকহাউ, উ মোরোক, জিঞ্জর পাউদর অমদি য়াইঙংগী পোৎলমশিং মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা দিমান্দ তৌনরকখ্রে।




নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল এগ্রী-কলচরেল মার্কেটিং কোওপরেসন লিমিটেদ, মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌদুনা চথরকখিবা ৱর্ল্ড ফূদ ইন্দিয়াগী থৌরমদা মণিপুরদগী লাকপা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংগী প্রদক্টশিংবু দোনর মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র অমদি দোনর সেক্রেটরি নবিন ভর্মাগী পূক্নিং চিংশিনখি।

নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল এগ্রীকলচরেল মার্কেটিং কোওপরেসনগী এসিষ্টেন্ট মার্কেটিং মেনেজর মংশাতাবম ইমোনা হায়, মণিপুরগী চাকহাউ, উ মোরোক, জিঞ্জর পাউদর অমদি য়াইঙংগী পোত্থোকশিং দিমান্দ য়াম্না লাক্লি। মপান লমদগী লাকপা মীওই কয়ানা পোৎলমশিং অসি লৈজগে হায়বা ৱাফমশিং থল্লকখি।

মহৈ-মরোং থাবগী হৈনবী থমদুনা মণিপুরগী পোত্থোকশিংবু মপান লমদা থাদোক্লবা হোৎনসি। মণিপুরগী পোত্থোক মপান লমদা থাদোক্লবদি লমদমসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎকনি। পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্দুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দোনর মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র সিংহ অমদি দোনরগী সেক্রেটরি নবিন ভর্মানা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ফার্মর অমদি ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংবু হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা ফগৎহল্লগনি হায়না থাজবা থমখি হায়রি।

# বিরমঙ্গল কোলেজ লৈখা তাহন্নবা হোৎনরে : কে সী পি (এম সী-প্রো)

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গল কোলেজ অসি মীওই খরনা লৌতুনরগা লৈখা তাহন্নবা হোৎনরে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (মিলিটরি কাউন্সীল-প্রোগ্রেসিব)কী চ্যেরমেন চীঙ্খোনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মরাল শীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লল্লাই কেন্দ্রদা তোমথিন ঙাল্লিবা মহৈশঙ অসিবু শেঞ্জা থুমজানা মরম ওইরগা মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়বগী থম্মোয় শেংবা ৱাফম লূপ অসিগী স্পেসল টিম ওপরেসন মঙাল কংলৈপাক্কী মীওইশিংনা থাঙ্গৎলকখি।

ৱাকৎ কয়া অদুবু লূপ অসিনা কুপ্না মনুং মপান নাইদনা থিজিল্লুরবা মতুংদা কোলেজ অসিদা ওজা ওইবা খরনা ফম্নাইবা অমগা মান্নরগা খুৎলিংদুনা নমথাক্তা শেন্দানফম ওন্থোক্লম্বনি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি হায়নসু মরাল শীরি।

মসিদসু নত্তনা বিরমঙ্গল কোলেজ অসিবু তম্নরাই শাবা মীওই খরনা খাবৈ খরা শাবা য়ানবা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী মীহুৎ ফাওবা চহী ৩ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা নমশিন্দুনা থল্লি। কোলেজ অসিগী চমজরবা ওজা কয়াদগী নমথাক্তা শেল খোমগৎলমখিবনি। খোমগৎলিবা শেলশিং অদু লৈঙাক্তা ৱানোম শেল ওইনা পীদুনা কোলেজ অসিবু গভর্ণমেন্ট কোলেজগী থাক্তা ওন্থোক্লবগীনি হায়বা ওজা অনীদগী খঙবা ঙল্লে হায়নসু মখা তানা মরাল শীরক্লি।

অসিগুম্বা অমোৎপা শেঞ্জা থুমজাগী থবক থৌরম অসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি মহৈলোয়শঙ কয়াদা মতিক ময়াই লৈবা এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুট ওইহনবগী মহুত্তা মণি এদ্যুকেসন ওইহল্লক্লি। কোলেজ অসিগী চমজরবা ওজা কয়াগী হুমাং মমল অসিবু তম্নরাইশিং অসিনা খুৎকন পাঙ্গল্লবনি হায়দুনা ফোঙনা নমথাক্তা শেল মৎপীরি।

হৌখিবা থা খরগী মমাঙদসু লূপ অসিনা এদ্যুকেসন সেক্টর কয়াদা করপ্সনগা মরী লৈননা অকনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা লাকপদা কংলৈপাক অসিগী ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কয়ানা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা অরানবা কয়াদা ঙাক্নৈ পীশিন্দুনা শেলনা খুজং ওইরগা হকথেংননা করপ্সন ওন্থোক্লম্বা লৈরমখি অমদি চেন্নরল্লিবা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন খরদি লৈবাক মীয়াম খঙনা শেংদোকখিবা লৈখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়, কে সী পি (এম সী-প্রো)গী খোঙথাং কয়া অসিনা মরম ওইরগা বি জে পি লৈঙাক অসিনসু ঈকায় খাঙদগী কং কোৎলি হায়বগী মতাগুম এদ্যুকেসন (এস) অমদি কাউন্সীল ওফ হায়র এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)গী থবক অমদি ওজা কয়াবু অরান-অহুই তৌদুনা হাপচিল্লমখিববু লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ফম্নাইবা অমনা লৈবাক মীয়াম খঙনা হাপখিবা অরান-অহুইগী থৌওংশিং চৎনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবসু লৈখ্রবনি।

লূপ অসিনা করপ্সনগা মরী লৈননা অসিগুম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই এ সীগী মনুংদা লৈরিবা তুংগী মীরোল কয়াবু মহৈ-মশিনগী মঙাল পীরিবা অমত্তা ঙাইরবা তোমথিল ঙাল্লিবা বিরমঙ্গল কোলেজ অসিদা করপ্সন তৌদুনা অমদি কোলেজ অসিবু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইহনগনি হায়জিন্দুনা ওজাশিংগী শেঙ্গাউ চপ্পন্বা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবা থৌওংনি হায়রি।

এদেদ কোলেজ অমবু গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওন্নবা হোৎনবদা পাল্লিবা লৈঙাক্না কোলেজ অমগী ওজাশিংনা থাগী হুমাং মমল ওইনা ফংলিবা তোলোবকী শেনফমদগী শেল কক্তুনা কোলেজ অমবু গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইহনগদবনি হায়বা ৱাচৎ-ৱানোমগী চৎনবী লৈঙাক্না থল্লব্রা? এদ্যুকেসন সেক্টর কয়াদা শেঞ্জা থুমজা তৌরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা লূপ অসিগী স্পেসল টিম ওপরেসন মঙাল কংলৈপাক্না অকনবা মীৎয়েং চঙখিগনি হায়বা অকনবা ৱাফমসু থল্লক্লি।

# ‘এ দি সী চান্দেলগী ইনোগুরেসন য়াওদনবা লেপ্নরে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ : ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, চান্দেলগী চ্যেরমেন লুখোসৈ ঝৌগী লীদরশিপ্তা সপোর্ট তৌদবা এন পি এফ অমদি বি জে পিগী মেম্বর খরা পুন্দুনা জোইন্ট মীটিং অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এ দি সী চান্দেলগী ইনোগুরেসন প্রোগ্রাম য়াওদনবা লেপ্নখ্রে হায়না এ দি সী মেম্বর এন পি এফ, এস ঐচ মংলেম, এ দি সী মেম্বর বি জে পি, টি সৈথাং অমদি এন পি এফ চান্দেল দিভিজনেল য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট টি এস মোলরশিংনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লুখোসৈ ঝৌনা লীদ তৌবা এ দি সী চান্দেলগী কাউন্সিল অসি ইম্ফালদা চলাইরি। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা মপূং ফানা লোইশিন্দ্রি হায়বা মীয়াম্না খঙই অদুবু চ্যেরমেন অসিনা কাউন্সিল অসিগী অতৈ মেম্বর কয়াবু তানরমদনা ইনোগুরেসন প্রোগ্রাম শিল্লি। চ্যেরমেন অসিগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা এন পি এফ অমদি বি জে পিগী এ দি সী মেম্বর কয়ানা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা য়াওদনবা লেপ্নরে।

মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ভিজিট তৌবা অসি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। চীফ মিনিষ্টরগী *চীংদা চৎলো* হায়বা স্লোগানগী মখাদা পায়খৎ-লক্লিবশিংবুসু থাগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্টনা নিংঙোল চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ : সিলচরদা লৈবা চিলদ্রেন পার্কতা ঙসি মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্ট আসামনা শিন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ক্রোনিকল দেল্লি ন্যুজপেপরনা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা নেহরু কোলেজগী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল এল গৌরবাবুনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

আসাম য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী এসিষ্টেন্ট প্রো. অমিতাবনা গেষ্ট ওফ ওনর, আসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লিলি, কবুইরোং ৱিমেন এসোসিয়েসন, সিলচরগী অজাইরু কামৈ, আসোম সাহিত্য সভাগী সেক্রেটরি কুসুম কলিতা অমদি সোসল এক্টিভিষ্ট চন্দ্রিমাসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্ট, আসামগী চীফ কনভিনর সেরাম হেরাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর ক্রোনিকলনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্ট, আসামনা শিন্দুনা অহুম্লকশুবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি মপান মণিপুরদা লৈরিবা কছাড়গী বরাক তম্পাক্তা নুংশি চান্নমা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী লূপশিংগী নিংঙোলশিং, মণিপুরী মৈতৈশিংগী নুপীশিংগী লূপশিংগী পুন্না ফমিন্নদুনা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমনি। থৌরম অসি ইন্টিগ্রীটি, পিছ হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপনি।

মপান লমদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা ঐখোয়গী নাৎ অমচিৎনবী ঙাক্তুনা থম্নগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা পুন্না চাক্লেন চামিন্নবগা লোয়ননা নিংঙোলশিংদা খুদোল তমখি।

### শজি অমা কনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*মখোয়না হাৎলম্বা তারবদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মখাদা চহী অহুম জেলদা লৈবগী চৈরাক নৎত্রগা ফাইল ওইনা লুপা লীশিং ২৫ নৎত্রগনা অনীমক ফঙবা য়াই। মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনদা শজি অদু শীন্নখ্রবনিনা শা অদু অশোয় অঙাম থোক্লরোই। করিগুম্বা মতমদা অসিগুম্বা মখলগী শজি অমোমশিং মীয়াম তিনবা মফমদা তোয়না লাকপগী থৌদোক থোকই।

জুলোজিকেল গার্দেনদা শজি অসি শীন্নখিবা অসিনা জুদসু কান্নবা ফঙহল্লগনি। নিংথম থা চঙলকপগা লোয়ননা চীংদা লান্মৈ থারকপনা মরম ওইদুনা শজিনচিংবা শা মখলশিং চীংদগী তম্পাক্তা কুমথরকপগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোকই। মরম অদুনা মীয়াম্না শাশিং হাৎপীগনু অমসুং মখোয়বু কনবীরগা মতম চানা মনাক নকপা ফোরেষ্ট ওফিসশিংদা পাউ পীবীয়ু। মদুনা শাশিং অদু কনবা ঙমগনি হায়খি।

### এন্টি ব্লেক মণিগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম অসি হৌদোক্কনি।

দিমোনেটাইজেসন তৌখিবনা লৈবাক অসিদা কান্নবা পুরকপা কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। জি এস টি চৎনখিবদগী পুরক্লিবা কান্নবা কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। ইন্দিয়াদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা দিমোনেটাইজেসন চৎনখিবা নুমিৎ নবেম্বর ৮ বু নিংশিংদুনা এ সী ৬০ দা দিমোনেটাইজেসন চৎনখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ৮ দা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা প্রেস মীট অমসু পার্টি ওফিসতা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতসু দিমোনেটাইজেসন চৎনখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্কনি।

মন্দলশিংদা থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শানখ্রে। থা অসিগী ৯ দা ব্লেক মণিগী মায়োক্তা অচৌবা রেল্লি অমা বি জে পিনা শিন্দুনা চৎকনি। নিত্যাপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি ওফিসতগী হৌরগা রেল্লি অসি ইম্ফালগী মফম কয়াদা কোয়না চৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া এম নিম্বসসু শরুক য়াখি।

### এম এস এফকী...

*লামায় ১গী মখা...* নাকন অমবুনা লল্লানবগুম খন্দুনা থবক লৌখৎলল্লিবা অসি লূপ অমা ওইবদা মতিক চাদবনি হায়না এম এস এফনা মরাল শীরি।

লৈবাক্কী, মীয়ামগী, খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবশিংবু কদাইদা করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা ঙসি ফাওবদা এম এস এফনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা হোৎনদুনা লাক্লি অমদি হোৎনখিগনি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওং অসি মতুংদা তৌরকপা তারগদি চপ চানা পাউখুম হনগনি হায়নসু ৱানিং তৌরক্লি।